# ইনখৎলকপা পুন্সিগী মশক উৎলিবা তখেল ফিল্মসকী অনৌবা প্রদক্সন 'পান্দম অমদা'

- নানি



মণিপুরী ফিলমদা ৱারী পুমনৌ অমনি 'পান্দম অমদা'। ফিল্মসিগী ময়াইদা চেল্লিবা করেক্টরশিংগী শক্তম লাংলিবা এক্টর পূম্নমকসু পুমনৌনি - বোনি তখেলময়ূম, নাওতোন ঐচ, শানু থোকচোম, সন্দীপ পুখ্রম, সাগর মাইবম, হৈক্রুজম কেরিশ, অর্চানা, মখোয়বু মতেং পাংলিবা লিতক তাবা এক্টরশিংগী মনুংদা - ঘনশ্যাম, এস সরতচন্দ্র, কে সনাজাওবা, এল পিশক, রাজু নোং, ময়া চৌধুরি, রিনা নিংথৌজমনি। অতৈ মরুওইবা ক্রেদিট লাইনদা লৈরিবশিংদি - এম ধনচন্দ্র (সিনেমাটোগ্রাফর), টোনি অহৈবম (ম্যুজিক দিরেক্টর), আর কে বিরেন্দ্রজিৎ অমদি এল কর্ণজিৎ (বেকগ্রাউন্দ স্কোর) লোয়ননা সন্তোশ লাইশ্রম (স্ক্রপ্ট) খরা অসি পনবা য়াই। মশক খঙদবা অনৌবা নহা ঙাক্তনা কৃপ্না ফিল্ম অমা রিলিজ তৌদৌরি তাবদা থোইদোক্লা অঙকপা অমা পোকখিদে, মরমদি ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা অসি ও গৌতমনি। ও গৌতম নহা ওইরিবা ফিল্ম মেকর অমা ওইনা নেসনল এৱার্দ ফংখ্রবা অমদি নেসনল জুরি পেনেলদা য়াওরিবা মীশক অমনি। অদুনা মহাক্কী ওইবা মশক অমা শোয়দনা ওইরমগনি হায়বগী থাজবা অমা হেন্না থমখিবদুমক অচুম্বা ওইরকখি। মহাক্কী ফিল্ম **'ফিজিগী মনি'** হায়রিবসিনা কুমজা ২০১১দা ইন্দিয়ন পেনোরমা সেলেক্সন ফংদুনা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়াদা শরুক য়াখি। ফিল্মসিমক, কুমজা ২০১২দা নেসনল এৱার্দ ফংখি। লোয়ননা ফিল্মসিগী এক্টর এল তোনথোইঙানবীনা বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকী মনা ফংখি। কুমজা ২০১৩দা ও গৌতম ইন্দিয়ন পেনোরমাগী সেলেক্সনগীদমক জুরি পেনেল ওইনা খল্লক্তুনা নেসনল জুরি ওইনা শরুক য়ারুই। মহাক্কী ফিল্ম মেকিংদা খরা খজিক চেকশিনবা অমদি তোপ তোপ্পা মহাও অমা পীনবা হোৎনবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখি। অদুনা **পান্দম অমদা** হায়রিবা ফিল্ম অসিসু খজিক তোঙানবা অমা ওইগনি হায়না খনখিবদুমক অচুম্বা ওইরমখি। ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর ওইরিবী সরোজা মণিপুরী ফিল্মগী থোইদোক্লা অনৌবা হায়বদুমক্তি য়াদ্রে। মহাক মশামক য়াওবা **সুরভি** হায়বা টিম অমা শেমদুনা মমাঙদা **'য়েনিং অমদি লিক্লা'** হায়বা সেল্লুলোইদ ফোর্মেটতা নম্বা ফিচর ফিল্ম অমা পুথোকখ্রে। ফিল্ম অদুমকসু ইন্দিয়ন পেনোরমা সেলেক্সন ফংদুনা আই এফ এফ আইদা উৎখি। ৱারী অদুমকসু অদুগা হন্দক্কী ৱারী অসিমকসু খুন্নাই অসিগী মনুংদা তত্তনা থোক্লিবা ৱারী শিংবুন্দগী লৌখৎপনি। মমাঙগীদুনা এদোপ্টেদ চাইল্ড অমগী লিগেসি অমদি মদুগী থৌদোক্তা যূম্ফম ওইবা য়াম্না সেরিয়স ওইখিবা ৱারীনি। হন্দক্কী অসিসু মীওইবগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরু ওইবা তাঙ্কক অমা ওইরিবা অদুগা মমা মপানদি কয়া থৌশাদনা চৎলিবা পুন্সিগী খোঙচৎতা তোইনা থেংনবা ৱারী অমদা যূম্ফম ওইনা শাগৎপনি। প্রদ্যুসর মশামক সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা এমপ্লোয়ী অমা ওইনা লৈবদুনা খুন্নাই মীয়ামগা মরী লৈনবা ৱারী কয়ানা ইন্সপ্যার তৌরগা মদুনা বেসিস ওইরগা নিংথিনা শেমগৎ শাগৎলকপা ৱারী ওইরম্বা য়াই।

**পান্দম অমদা** ফিল্মসিগী ৱারীসি ময়াম্না পুথোক্লরিবা ফিল্মশিং অসিদগী খরা তোঙাল্লি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাবু মী অমা ওইনবা শেমগৎলকপদা খজিক খুজিন খুনাম্থোক্তগী খোঙথাং অমা অনী শোয়খিবদা ফরম্বা অঙাং অমনা করি ওইরকপগে হায়বদু ফিল্মসিনা ময়েক শেংনা হায়নবা হোৎনরি। ক্লাস টুয়েল্ব কারকপা মতম অসি নহাশিংগীদি অনৌবা তাঙ্কক অমনি। য়াম্না চেকশিনগদবা মতমনি। অনৌবা মরুপ মপাং থেংনরকপগী, মখোয়গী ৱাখল মীৎয়েং হোংলকপগী হায়ফম তৌফম খঙদবা, অনৌবা চাংয়েং কয়া য়েংনীংলকপা মতাং ওইবনা নহাশিংগী পুন্সিদা য়াম্না তোয়না অহোংবা লাকপা মতাংদা শাগৎপা ৱারীনি। ৱারী খূৎশেমগৎ অসি য়াম্না ফজে। ৱারীসিগা শাগোন্নরিবা নহা এক্টরশিং য়াম্না নিংথিনা চেকশিন্না উৎথোক্লবা হোৎনবগী মমি তারি। কা হেন্না এক্টিংগী কাঙলোন লোমদা চঙশিন্দনা



ইচম চম্না মাগী-মাগী রোল অদুগী ফিরেপ অদু চুম্না লেপ্পবা হোৎনবদুনি থাগৎনীংঙাই ওইরিবসি। মালেম অমদি ঙানবা লুনা তিন্নবা মরুপ অনীগা লোয়ননা বেমবেম মখোয় অহুমগী য়াম্না তরু-তরুবা নুংশিবগী ৱারী অমনা ক্রক-ক্রক লাকশিন্দুনা শেম্বা ৱারীনি। মালেমগা ঙানবগা অনীসি লুনা তিন্নে। ঙানবদি য়াম্না লায়রবা মমা লুখ্রাবীনা য়োকচবা মরম মোকপা অঙাংনি। ক্লাস টেন তম্বা মতমদা ট্যুসন চৎপা ঙমদে। মালেমনা মাগী ট্যুসন নোটশিং অদু ঙানবদা পীদুনা পাহল্লি। মখোয় অনী ঙাইহাক্তা থাদোক্লদে। য়াম্না নুংশিনৈ। অমরোমদা মখোয়গা স্কুল পূন্না তম্মিন্নবী, বেমবেমনা মালেমবু অমদি মালেম্নসু বেমবেমবুসু মকা লামদনা তিন্নে। তিন্নরুবদুগী মরুমদা নুংশিবগী ঈং তপ্লবা ঈচেল অমনা মোং হাদনা হাইজিল্লকই। মসিনি য়াম্না ফজরিবা, মখোয়গী থম্মোয়গী ফাওনরিবা মীহুলগী খোঙচৎ অদু ফিল্মসিগী ইরোই লোইবা সিনদা মালেমনা বেমবেমদা অঙাংবা রোজ অমা মমায় থাঙ্গৎতনা পীরম্বা, মদু বেমবেমনা লৌহৌরগা খজিক পূক্লিং মকা লামখিবদা লোইবা ফিল্মনি। মরকসিদা ক্লাস টুয়েল্ব কারকপদা মালেম অমদি বেমবেম অতোপ্পা স্কুল অমদা হোংখি। মহাক্কী মরুপ ঙানবদি হান্নগী স্কুল অদুদা তমহৌই। অদুবু মহাক মশা কন্না ঙল্লমখিদে। লঙসকী অরুবা অনাবা অমনা নারকপদগী মহাক হোস্পিটালদা লায়েংখি। ডোক্তরনা ওপরেসন থুনা তৌদ্রবদি অরুবা অনাবা ওইরকপা য়াই হায়খি। মরুপকী মতেং পাংনবগীদমক মহাক মরাথোন অমা য়াওনবা প্রেক্টিস তৌবা হৌখি। মদুগী প্রাইজগী শেনফম অদুনা মহাক্কী মরুপকী ওপরেসন্দা মতেং ওইনবগীদমক কন্না হোৎনখি। পোফম অসি তানবা দিরেক্টরনা ফিল্ম অসি হৌরকপদা স্কুলগী স্পোর্টসতা মালেমনা মিটর ১০০গী রেসতা মকোক ওইহনবগী সিন অমা য়াম্না মরম চানা হাপ্পদুনা থোইদোক্লা মরম চাহনবা অমদি ৱারীসিগী পোলোইগী রাশি অমা হাপ্পী। ফিল্মসিদা য়াম্না ফজরিবসি ৱা ইহায় হায়দনা মনুং ফুন্না উৎলিবশিংগী মনুংদা পেন (কলম) পায়বগী সিন অনী য়াওরিবসিগা ইকোন কোনবদা রোজ পায়বগী সিন অসিনা পাউখোঙ ময়াম






অমসু অয়েংশিংদা চল্লি, অদুগা পাউখোঙ অদুসু ফজরবা সিন অসিনা অয়েংবশিংগী ৱাখলদা চঙখ্রগা মথন্তা ফোঙহঞ্জরকপা অসিনি হায়বা তাই। অহানবগী কলম পায়বা অসিনা, মালেমনা ঙানবদা মাগী ট্যুসন নোট শিনবগী মতাংদা ঙানবগী কলম ইবা য়ারত্ত্রবদা মাগী বেগতগী লৌথোক্লগা কলম অমা পীবা সিমা, অদুগা অমনা ক্লাস টুয়েল্ব কারকপদা ওজানা তাকপা ক্লাসতা মালেমনা ইশিনবদা কলম নুংঙাইরক্তবদগী মখূৎনা মুক থোক্লবা কনবদু উবদা বেমবেমনা মাগী কলম অমা পীবদুনা ফিল্মসিদা চেল্লিবা ঈচেলশিং অদু নিংথিনা ৱা হায়দনা ফোঙদোক্লবা হোৎনৈ, ফজে। অমনা, ইরোই লোইবদা মালেমনা সাইকল মমাঙদা তোংলগা ঙানবনা থৌরগা লাকই। লাপনা বেমবেমনা থৌরকপা সাইকল হেনগৎলকপা মতমদা "বেমবেম সে..." হায়রগা রোজ পীরম্লগা তুমিন্না ৱা অমত্তা হায়দনা সাইকল হেনগৎলগা থৌখিবা, অমদি বেমবেমনা খজিক্তং নোকফেৎ তৌরগা লৌহৌবা, মসিনা লমদম অসিগী নুংশি নুংওনগী ঈং-তপ্পা অমদি ফজবা মশক অদু নিংথিনা উৎলি। অসিগুম্বা লমদম অসিগী নুংশি নুংওনগী ফজবা অমত্তা ফিল্মদা উদবা কুইরবনি, মসিগীদমক তশেংনা থাগৎলি।


মতাংসিদা ৱাফম অমা পলহৌবা চুম্মী, ফিল্মসিদা দাইলোগ য়ারিমখৈ শীজিন্নদনা সিচুয়েসন, বোদি লেংগ্বেজ, কেমেরা টেক্নিক অমদি অতৈ দিভাইসশিংনা হায়নবা হোৎনবা দিরেক্টরগী ভিজন অদু য়াম্না শেংনা উবা ফংই। অনীশুবদা, মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসিদি মহৌশাদগী ৱা কয়া হায়দবা, থবক্লা হেন্না তৌবা, মশাগী মতিং য়াম্না লৈবা কাঙলূপনি হায়বা অদু ফিল্মসিনা উৎনবা হোৎনরি। মসি মৈতৈখক্কী ৱা নত্তে। সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী পিপলশিংগী মতিং অদু ফিল্মসিনা উৎথোকপনি। মসিমদি য়াম্না মরম চাবা অমদি ফজবা অমা ওই। অখন্নবা মতিং অমা দিরেক্টরনা নাখৈ শেংনা থম্লকপা অসি নুংঙাই, থাগৎলি। ইতোপ-তোপ্পা লন্নাই ৱা অমনা, মালেমনা মরাথোন চেল্লকপদা, মাগা হান্না তিন্নরম্বা মমন্নবশিংনা লম্বীদা থৎতুনা ফূবিবা অদু হাপ্ত্রফাওবদা থোইনা অকায়বা লৈগনিবু থাজদে, মদু তৌনবা হোৎনরকপদা নম্ফুদা নহাশিংদুগী প্লান অদু বেমবেমনা তাহৌবা, মালেমগী যূমদা লাক্তুনা মমা মপাদা হায়রবা, লৈকায়গী নহা খরদা পাউ তাকপা কয়াশিং অদু নম্ফু তারকপরা খন্নবা য়াই। অদুগা মসিগা হায়রপ মান্নবা মওংদা বোল্লিদকী অমির খাননা কুমখিবা হিন্দি ফিল্ম অমগী থৌদোক মচা অমা নীংশিংহনবদু, নেসনল জুরিশিংদা করিগুম্বা ফাওরম্লবদি হায়বগী নুংশা থিবা ফাওরকই। মসিগা লোয়ননা ফিল্মসিগী মতাংদা অমতং থম্নীংবসি, নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা চাংয়েংদা শরুক য়ারকপা হায়বসিদি ক্রাইটেরিয়া হায়বা অমসু লৈরমগনি, মদুগী মথক্তা ফিজেৎ, মেক-অপ, কেরেক্টর, সিচুয়েসন অমদি গিভন সর্কমষ্টেন্সেস হায়বা অমা লৈরিবা অদু য়াম্না চেকশিন্না য়েংবা অমা চংই। মেক-অপ অমদি কোষ্ট্যুমগী মতাংদা করি অশোয়বা লৈবগে হায়বা কূপ্না য়েংশিলহন্নীংই, করিগুম্বা লৈরম্লবদি নেসনলগী থাক্তা ফিল্মসিনা সমান লেংমান্নবগা সয়েং পাম্বোম ঙানরকপা, লম্বা থেংনরকপদা করি অহোবা লৈগদগে হায়বদু মতাংসিদা মরু ওইরকই হায়না লৌই। মরমদি ফিল্মসি ইন্দিয়ন পেনোরমা সেলেক্সনগীদমক এন্ত্রি তৌখ্রে হায়না তাই। অমা অমা ওইরসু ফিল্মগী অফবা মরায়বক অমা পুরকপদা তাইবঙ মপুনমকফাওবা তেংবাঙবিবা ওইরসনু।

## থাজবরা, থাজদবরা? অঙকপনা থল্লবা মালেম



- করিগুম্বা মতমদা কনাগুম্বা মীওই অমা এক্সিদেন্ট থোকপদগী মমীৎ চোংথোরক্লগা থরাক-থরাক য়ান্দুনা লৈবা মতমদা মখূৎনা পায়রগা হান্নগী মফমদা অমুক হাপচিনখিবদা করিগুম্বা মখলগী অকায়বা-অশোয়বা অমত্তা লৈতবা য়াওই।
- ঐখোয় মীওইবগী মীৎনা চহী অমদা পিরাং লিটর ৪.৫ রোম শুংই। মসিনা মীৎপু চোৎ-চোৎ লাউনা থম্বা ঙল্লিবনি। মরম অদুনা ঐখোয়না কপ্তবা মতমদসু মীৎকী ফীভম চোৎ-চোৎ লাউনা অদুম্মক লৈহল্লি।
- ফিনলেন্দদা হৌবা পাইন ট্রিগী মরাদি মাইল ৩০ ফাওবা শাংই।
- থুমহী চেনবা সমুদ্রগী ঈশিংদগী করিগুম্বা থুমগী শরুকশিং অদু লৌথোক্লগা কংফালগী শরুকশিংদা হৈদোক্লবদি ফুট ৫০০ রোম থাগনি।
- সেগিটরিয়সকী থৱানমি-চাকশিংদা লৈরিবা গ্যাসতা য়ুগী শরুক লিটর মিলিয়ন ১০,০০০ রোম য়াওই।
- পোলর বিয়রনা পুংদা মাইল ২৫ য়াঙনা চেনবগা লোয়ননা ফুট ৬ ৱাংনা চোংখৎপা ঙম্মী।
- মালেমদা মশা মথন্তা শিজবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক-শিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা মকোক ইথং থংনা লৈ। নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবদি নহারোলশিংনা সুইসাইদ তৌবগী চাং ৱাং-খৎলকপগী মতাংদনি। কুমজা ২০১৩ গী রিপোর্ট মতুংইন্না ইন্দিয়াদা মীওই ১,৩৫,৪৪৫ চহী অদুদা মশা মথন্তা শিজখি। মীগী শেন্দোলনা খ্বাঙ কোয়বদগী লৌমী খ্বাইদগী য়াম্না সুইসাইদ তৌবা লৈবাকসু ইন্দিয়ানা ওইরি। মীয়াম্না থাজনবগী তাইওন্নবা মওংদা লাইরিক লাইশু হৈবা মীওইশিংনা হৈতবা মীওইশিংদগী মথন্তা শিজবগী চাং ৱাংই।
- ইন্দিয়াদা মিনিট অহুম খুদিংগী মীওই অমা শিরি। মালেমগী ওইনা মীওই লিশিং অমা শিবগী মনুংদা চাদা ১৮.৯ দি ইন্দিয়াদা শিবনি।
- ইন্দিয়ানা চহী খুদিংগী দোলর মিলিয়ন ৪১৫ রোমগী শম্নাশিং মপান লৈবাক্তা য়োন্থোকই। নুমীৎ খুদিংগী হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওই ৪০,০০০ রোম্না লাইশঙদা মশা মশাগী শম কৎলম্বা মরম্না য়াম্লবা শম্নাশিং অসি মপান লৈবাক্তা য়োনবা ঙল্লিবনি।
- মালেমদা শেল খ্বাইদগী চঙনা শাবা যুম ইন্দিয়াদা লৈ। দোলর বিলিয়ন ১ চঙনা শাখিবা মুকেশ অম্বানিগী ময়ুম্না মালেমদা শেল খ্বাইদগী চঙবা যুমনি। যুম অসি শাবদা চঙলিবা শেনফমগা সোমালিয়াগী অপুনবা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) গা মান্নগদৌরে। সোমালিয়াগী জি দি পি দোলর বিলিয়ন ১.৩ নি।
- ঐখোয় মীওইবগী হকচাংদা সেল ট্রিলিয়ন ১০০ রোম য়াওই। মসিগী মনুংদা বিলিয়ন ৪০ রোমদি ঐখোয়গী অশেংবা নত্তে। উনশা অমসুং গ্যেষ্ট্রো ইন্টেষ্টিনেল সিষ্টেমদা পকপা সিম্বাইওটিক বেক্টেরিয়া ঙাক্তনি।
- চাংচৎতা মীওই অমগী মপুন্সিদা করি ফিজোল শেৎসিগে হায়না খনবদা চঙলিবা মতম অদু পুল্লপ পুনশিল্লবদি চহী অমরোম ওইগনি।

## খঙ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং- নুমিৎনা অসুক্কী মতীক শারিবা করিগীনো?



- নুমিৎনা অসুক্কী মতীক শারিবগী মরমদি মনুংদা ন্যুক্লিয়র ফ্যুজনগী প্রোসেস চত্থবদগীনি। মদুগী প্রোসেস অদুবু ষ্টেল্লর ন্যুক্লিওসিনথেসিস হায়না খঙনৈ। প্রোসেস অসিনা থোকহল্লিবা ইনর্জিগী চাং অসি অদুক্কী মতীক চাউই চাউরাক্লা মেগাৱাট বিলিয়ন ৩৮৩ দা বিলিয়ন অমনা পুরিরগা প্রোসেস অদুনা পুথোক্লিবা ইনর্জিগী চাংদু ফংই। মসিমক্লা নুমিৎকী কল্লবা মৈশা অদু থোকহল্লিবনি। প্লানেট ফেক্টসকী মতুং ইন্না, নুমিৎকী খ্বাইদগী মনুং থংবা শরুক (কোর) অমসুং মমায়গী টেম্পরেচরশিং অসি ফাহরেনহাইট দিগ্রী মিলিয়ন ২৭ অমসুং ফাহরেনহাইট দিগ্রী মিলিয়ন ১০,০০০ মথংশিংনি। মথংগী মরোল ক্রোমোস্ফেরগী শাবগী চাংনা ফাহরেনহাইট দিগ্রি ৭,৮০০ রোমনি। নুমিৎকী কোরোনাগী টেম্পরেচরনা ফাহরেনহাইট দিগ্রি মিলিয়ন ৩.৫ নি। নেসনেল সেন্টর ফোর এটমোস্ফেরিক রিছার্সকী মতুং ইন্না টাইটু স্পিক্যুলস নৎত্রগা রেদিসেসনা সোলার কোরোনা অমসুং নুমিৎকী মমায়গী মরক্তা লৈরিবা টেম্পরেচরদা চাউনা খেন্নবা লৈরিবনি।
- নুমিৎকী ইনর্জি অসি থার্মোন্যুক্লিয়র ফ্যুজন রিয়েক্সনশিংদগী লাকপনি। নুমিৎকী গ্রেভিটি অসি অসুক্কী মতীক কনবনা মরম ওইদুনা হাইদ্রোজেন এটমশিংনা অমগা অমগা ফ্যুজ তৌদুনা হেলিয়ম শেমই। মখোয়না অসুম্না তৌবদা য়াম্লবা ইনর্জি থাদোকই।
- য়ুনিভর্সতা য়াওরিবা পোৎচঙ (মেট্টর) গী চাদা ৯০ হেন্না হাইদ্রোজেন ওই অমসুং থৱান্মীচাক পুম্নমক্কুম্না নুমিৎ অসিসু মরু ওইনা হাইদ্রোজেন্না শেম্বনি। মসিগী ৱাংলবা গ্রেভিটিনা মরম ওইদুনা নুমিৎকী ময়ায়দা লৈরিবা ফোর্সশিং অসি অসুক্কী মতীক মপাঙ্গল কল্লি মদুদি হাইদ্রোজেন এটমশিংনা ফ্যুজ তৌদুনা হেলিয়ম শেমই। হাইদ্রোজেন অমসুং হেলিয়মগী চাং খরখক নত্তনা এলিমেন্ট পুম্নমক থৱান্মীচাকশিংনা শেমখিবনি। নুমিৎনা হাইদ্রোজেনগী চাং হন্থরকপা মতমদা হেলিয়মগী ফ্যুজন হৌরকই। নুমিৎনা মখা তানা হেন্না লুম্বা এলিমেন্টশিং শেমখিগনি। অসুম্না শেম্বসিনা মমৈথংদা করিমত্তা ফ্যুজ তৌবা ঙল্লক্লোই। মতম অদুদা নুমিৎ অসি মতম খরগী ওইনা অঙাঙবা জাইঅন্ট অমা ওইনা লৈগনি। মদুগী মতুংদা মসিগী পোৎচঙ অয়াম্বা মপান্দা থাদোকখ্রবা মতুংদা চাউরাক্লা আর্থকী সাইজগা মান্ননা চাউবা কাবোর্নগী বোল অমা ওল্লক্কনি, তৌইগুম্বসুং মাসকী চাংদি হান্নদগী য়াম্না হেনগনি।

## ব্যুটি : শক-চু মাঙহল্লকপগী মরমশিং, ফহন্নবা পাম্বৈ খরা



- মী খুদিংমক অমগা অমগা উনসা মখল মান্নদবা মরম্না চপ মান্নবা থৌরাং অমখক লৌখৎলগা লোইনমক্তা কান্নবা ফংগনি হায়বা করিসু লৈতে। শক ফজহন্নবনি, উনসা তিংনবনি অমসুং কুচু ঙৌথোকহন্নবনি হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা অয়ুর্বেদিক, এলোপেথিক অমদি অতৈ মখল কয়াগী পোত্থোকশিং লেপ্তুনা পুথোক্লরক্লি। অদুম ওইনমক ইশা ইশাগী তোপ তোপ্পা খুদোংচাদবশিং খঙদোক্তুনা হৌরকফম মরু থিদোক্ত্রিবমখৈদি ফনা য়াম্না য়েকশিন-তৈশিল্লবসু থোইনা কান্নবা ফংলোই।
- অয়াম্বা মতমদা মীয়াম্না কম্মন ওইনা মায়োক্লবা খুদোংচাদবশিং অমসুং মদুদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ খরা খঙমিন্নসি :-
- দ্রাই স্কিন : লেপ্তুনা চৎথবা মহৌশাগী ওইবা থৌওং অমনা উনসাদা য়াওজবা মোইচরগী খল কায়হন্দনা থম্মী। মরম অমা নত্রগা অমনা হায়রিবা থৌওং অদুদা অকায়বা পীরবা মতমদা মোইচরগী খল কায়থরকপদগী উনসা ইকং কংশিল্লকই। খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংদি অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ, চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না ওইরকপা হকচাংগী অহোংবা, ময়াক কনবা কেমিকেলশিং য়াওবা সাপোন শীজিন্নবা অমসুং লায়না মখল খরনি। মসিদগী কোক্লবা ইচম-চম্বা পাম্বৈদি ময়াক খরা চম্বা ক্লিঞ্জর অমা শীজিন্নবা অমসুং অফবা মখলগী মোইচরাইজর নত্রগা লোসন অমা নোংমদা অনীরক তৈবনি।
- চীনবাল কায়বা : হকচাংগী অতৈ মফমশিংগা য়েংনবদা চীনবালগী মথক ইথং থংবা উনসাগী কুয়োম অসি পায়। মরম অদুনা অয়াম্বা মতমদা ইকং কংশিল্লকই। নিংথমথাগী মতমদনা অমুক্কা হেন্না উনসা কংশিল্লক্তুনা চীনবাল কায়রকই। মসিদগী কোকহন্নবা কাম্বৈদি সনস্ক্রিন য়াওবা মোইচরাইজর অমা অয়াম্বা মতমদা ইশাগা লোয়নগদবনি অমসুং ঙাইহাক ঙাইহাক কান্নরগা চীনবালদা তৈশিনগদবনি।
- হুমাং কা হেন্না থোকপা : হুমাং থোকপা হায়বসি হকচাংবু ঈংনা থম্নবগীদমক তঙাইফদবা থৌওং অমনি। মসিদা মরুওইনা গ্লান্দ অনীনা মথৌ তৌই। ইক্রাইন গ্লান্দনা হকচাংগী মফম অয়াম্বদা হুমাং থোকহনবগী মথৌ তৌই। অদুগা শেগ্রাক, কময়া অমদি অখন্নবা মফম খরদা এপোক্রাইন গ্লান্দনা হুমাং থোকহল্লকই। মসিনা মরম ওইরদুনা হকচাং মনম চেল্লকই। এন্টি পর্সপিরেন্ট/দিওদোরেন্ট স্প্রে শীজিন্নবনা খুদোংচাদবা অসি কোকহনবা ঙম্মী।
- মায়হিং কাবা : মেলানিন কা হেন্না থাদোরকপা মরম্না হকচাংগী মফম মফম, মরুওইনা মায়দা মায়হিং কারকই। নুমীৎকী মঙালদা য়াওবা অল্ট্রা ভাইওলেট রেদিয়েসন্না মসিদা অমুক্কা হেন্না ফীভম শোকহল্লি। মরম অদুনা নুমীৎ খুদিংগী সনস্ক্রিন য়াওবা মোইচরাইজর শীজিন্নগদবনি।
- উরিং থুংবা : মহীক মতাংনা উনসাগী অশিবা সেলশিংগা পুল্লগা তুখোঙ ফুঞ্জিনবদগী উরিং থুংলকই। মসিদগী ঙাকথোক্লবা নুমীৎ খুদিংগী অনীরক
- এন্টিবেক্টেরিয়ল নত্রগা এন্টি ব্লেমিস ক্লিঞ্জর শীজিন্নরবা মতুংদা নন-কোমেদোজেনিক মোইচরাইজর অমা তৈগদবনি।
- শমদোল পোকখায়বা : ময়াক কনবা কেমিকেল তোয়না শীজিন্নবা নত্রগনা অতৈ অতোপ্পা মরম খরদগী শমদোল পোক-খায়রকই। মসিদগী ঙাকথোক্লবা, ফহন্নবগী পাম্বৈ ওইনা শেম্পু লুজবা খুদিংগী অফবা মখলগী কন্দিসনর অমা শীজিন্নবা কাউরোইদবনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ১৫।০৯।২০১৯ ইং, নোংমাইজিং, নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.২৪ ফাওবা লাংবনগী ১৬নি পাল্লি, মতুং ১৭নি পানগনি।**

মেষ : মীংচৎ ফংবা, হায়বা-ঙাঙবদা মীনা থাগৎপিবা অমদি নঙগী ওইবা মীশিংনা তেংবাঙনিংবা নুমিৎনি। ফংবা য়াবা শেল অমদি থবক পনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মাঙজবা লৈগনি-চরাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : মীরক চংলগা হেন্না নুংঙাইবা অমদি শেল-থুমগী থবক্তা চাউনা কান্নবা নুমিৎনি। লৌশিংনা শমু ফাবগুম মায় পাক্কনি। চিঞ্জাক কাম্লবদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাবা য়াবা লৈ, শেল হেন্না থাদরগা হেন্না শেন্দোং ফংগদবা নুমিৎনি অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎপা নুমিৎনি। ইচং থৌবা কান্ননি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইবা অমদি লাইবক ফবা ৱাৎলি অদুনা চরাংগনু অমদি খুৎসু চাওগনু। নঙগী মীশিংনদি হেন্না য়াগনি অমদি তুংগী পোরম য়াৎপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবনা মাঙহনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : অনৌবা মরুপ ফংগনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি অমদি থাজদনা কান্নবা য়াম্না ফংগনি। মরৈ য়েৎপা অমদি লৌশিং চাউবা শাবনদি মরুপ কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎপনা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

কন্যা : খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংগনি অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগনি। পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। নোল্লুক্লা চৎত্রদি অফা অপুন নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : মীচং লৈগনি, শেন্দোং চাউগনি অমদি ইমুং-মনুংগা থৌ পাংমিন্নবনা কান্নবা হেনগনি। চিংনগনু পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈবনা খুদক্কী ৱারেপ লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : হকচাংদি ঙসিসু নুংঙাইগনি, থৌনা অমদি পাঙ্গল ফুদোক্লা থবক পাংবা য়াগনি। অদুবু খাংবা কন্দ্রদি পুক্লিং ৱাবা অমদি অরেম্বদা চাদিং তৌবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকাই খুম্নবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : চিঞ্জাক কাম্লদি ৱাখল তানদবদগী খৎনবা য়াবা লৈ অমদি লম চৎপা হুরানবদগী চেকশিল্লু। মীয়াম পুনবগী নুংঙাইবদি লৈগনি, শেল অমদি পোৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্পা নুংঙাইজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর :ওইজ-ওইথক ফংগনি, শেন্দোং তানবা থবক্তা চাউনা কান্নবা ফংগনি অমদি অফবা মফম ফংগনি। মীয়াম, লন অমদি লৈতেং ফংবগী নুংঙাইবসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : শেল, ইকাই খুম্নবা অমদি নুংঙাইবা ফংগনি। অশাওবা থাদোক্তুনা অমদি হেন্না অশা তৌদনা থৌ পাংলদি নমথবীনবা কনা লৈরোই। নক্লবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - শাওনবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : লাইবক ফগনি, ওইজবা ফংগনি অমদি নীংবা মপা চাগনি। অয়েৎ-অপন কোক্কনি, লাই-গুরুনা চানগনি,অফবা থবক পাংবনা খুদোংথিবদগী কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।